ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯲, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, এপ্রিল ২২, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৮শুবা মশীং

# মুম্বাইদা পাউমী ৫৩ পোজিটিভ ওইরকপা

## পাউমীগী শিনফমদা লৈরিবা খুদিংমক্তা ঙাক্লৌ পীফম থোকই

রিপোর্টর, ফোটোজর্নেলিষ্ট অমসুং কেমেরামেন য়াওনা পাউমী ৫৩ মুম্বাইদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরকপগী থৌদোক অসি লাইবক থীবনি হায়না লৌফম থোকই। ইন্দিয়াগী ফাইনান্সিয়ল কেপিটেল ওইরিবা মুম্বাইদা মখল অমত্তগী ঙাক্লৌ য়াওদনা মীয়ামদা অচুম্বা ঈ-পাউ ফংহনবগী থৌদাং লৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখ্রবা পাউমী অয়াম্বা টেলিভিজন ন্যুজ চেনেল অমদা থবক তৌবনি। বৃহনমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (বি এম সী) না পাউমী ১৬৭ টেষ্ট তৌবদা পাউমী ৫৩ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। টেলিভিজন্দা শন্দোরকখিবা পাউগী মীফম অমদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি লভ অগরৱালনা ওইরক্লিবা ফীভম অসি লাইবক থীবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোক্লিবা পাউমীশিংবু তঙাইফদবা কাঙলোন পূম্নমক ঙাক্না চৎপীনবা আপিল তৌখি। মুম্বাইগী সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অশোক বাগ্রিয়ানা টেলিভিজন ন্যুজ চেনেল অমদা থবক তৌবা পাউমী কয়ামরুম কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়না ত্বিটরদা ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা বি এম সীনা টেষ্ট তৌবদা পাউমী ৫৩ পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙলকখি। পাউমী অয়াম্বা লাইওং উৎথোরক্তবা মরম্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা মশা-মশানা অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংনা খঙজদে হায়রি। পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী ওইনা কোরোনাভাইরসকী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেট মহারাষ্ট্রনা ওইরিবনি। অহিং-নুংথিল নাইদনা মীয়ামদা অচুম্বা ঈ-পাউ ফংহনবগী থৌদাং লৌরিবা পাউমী ৫৩ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপগী মতাংদা মুম্বাই প্রেস ক্লবকী গুরবির সিংহনা হায়খি, পাউমীশিং ময়ূম-ময়ূমদা লৈরগা থবক তৌহন্নবগী পাম্বৈ অমা পুথোকপা মথৌ তারে। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদদি পাউমীশিং মেদিকেল ইন্সুরেন্সকী খুদোংচাবা ফংহনবগা লোয়ননা মথৌ তাবা পর্সনেল প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্ট পীবীবা তঙাইফদে। লৈঙাক্লসু ভিদিওগ্রাফর অমদি পাউমী পূম্নমক মথৌ পাঙথোকপদা খুদোংথীবা নংহন্দনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। মতম অমুক্তদা পাউমী মশীং য়াম্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী থৌদোক হন্দক্না অহানবা ওইরগসু মমাঙদা পাউমী কয়া পোজিটিভ ওইবা য়াওখ্রে। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা চেন্নাইগী পাউমী অনী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। পাউমী অমনা লোকল পাউচেগী রিপোর্টরনি। অতোপ্পা অমদুনা টেলিভিজন জর্নেলিষ্টনি। লোকল পাউচেগী পাউমী অদু মশা নুংঙাইরক্তবদগী রজিভ গান্ধি গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা চৎলগা টেষ্ট তৌরুবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। হৌখিবা মার্চ থাদসু মধ্য প্রদেশকী ভোপালদা পাউমী অমা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখ্রবনি।

মণিপুরদা হৌজিক কোরোনাভাইরসকী কেস অমত্তা লৈত্রে হায়বা তারগসু পেন্থোক্তুনা লৈবা য়াবা মতমদি ওইদ্রি। ইন্দিয়াগী ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং লেপ্পা লৈতনা ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা মী শিবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। লাইবক ফবদগী মণিপুরদা হৌজিক কেস অমত্তা লৈত্রে। ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা গোৱাবু কোভিদ-১৯ ফ্রী ষ্টেট ওইরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, ষ্টেট অসিগী কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরবা মীওই অনীমক ফীভম ফগৎলকপগা লোয়ননা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরল্লে। মণিপুরগী অনীশুবা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট অদু দিল্লিগী নিজামুদিনদা পাঙথোকপা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম য়াওরুরগা হল্লকপদা পোজিটিভ ওইরকপনি। অহানবগী পেসেন্ট অদুনা য়ুনাইটেদ কিংদমদগী হল্লকখিবী মশাগী চহী ২৩ শুরবী নুপী অমনি। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, গোৱাগী মথংদা মণিপুরসু কোরোনাভাইরস ফ্রী ষ্টেট ওইরে। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়খি, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা লায়েংলকখিবা মণিপুরগী অনীশুবা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট অদু এপ্রিল ১৯দা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদসু নেগেটিভ ওইরে। কনাগুম্বনা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী মতাংদা মীয়াম্বু লান্না লমজিংগদবা ৱাফম কয়া শন্দোরকপা থেংনরে। মীপূম খুদিংমক্না কোভিদ-১৯গী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী অচুম্বা ৱাফম খঙদোক্লবা হোৎনবীয়ু হায়নসু কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল রুমনা ফোঙদোকখি। মণিপুরদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী কেস অমত্তা লৈত্রে হায়বা তারগসু লাইওং উৎথোরক্তবা মীওই কয়া লৈরল্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। ইন্দিয়াগী ওইনা লাইওং উৎথোরক্তবা কেস কয়ামরুম লৈ হায়বা ৱাফম অমা লাউথোরকপা লৈখ্রবনি। ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছর্স (আই সী এম আর) গী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট, ডা. রমন আর গঙ্গখেদকরনা হায়খি, ইন্দিয়াগী কেস চাদা ৮০ রোম লাইওং উৎথোরক্তবা মরম্না কোভিদ-১৯গী চপ চাবা কেস মশীং খঙদোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লরে। ইন্দিয়াগী মফম পূম্নমক্তা হৌজিক কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা লোকদাউন থল্লিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা হায়খি, লোকদাউন তৌবনা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা তপথহনবা তারবসু লায়না-লাইচৎ অসি মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমলোই। লোকদাউন তৌদুনা ময়ূমদগী মপান থোকহন্দনা থল্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা লাইওংদি উৎথোরক্তবা অদুগা মহীক্তি চঙখ্রবা মীওই অমখক য়াওরম্বা থোক্লবদি অমুক্না হেন্না খুদোংথিনীংঙাই ওইহল্লকপা য়াই হায়নসু রাহুলনা ফোঙদোকখি।

বৈজিংগী অনাবা মীওই চাদা ৮৬ লোম ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদগী লৌনরকপনি হায়বা দেটা লৈবনা রাহুলগী ৱাফম অসি য়ূম্ফম য়াওদে হায়বা য়ারোইদৌরি। অমরোমদা লোকদাউন নত্তনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতে হায়নালৌবা তারগসু অথিংবা মরক্তা কোইচৎ-চৎতুনা মথৌ পাঙথোক্লিবা পাউমীশিংগী করি করম্বা থৌরাং লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু খন্নবা মতম ওইরে। মরাইবক থীরবা মুম্বাইগী পাউমী ৫৩ অমসুং মতুং তারকপদা খুদোংথীবা মায়োক্লরকপা পাউমীশিংগীদমক লৈঙাক্না করি করম্বা থৌরাং লৌখৎলবগে হায়না লাউথোকপা মথৌ তাই।

# মীৎনা উদবা অকনবা লাঞ্জাও

চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

মালেমসিদা হৌজিক থোক্লিবসি মীৎনা উবা ফংদবা লান অমনি। লানসি য়াম্না অকনবা লাননি। মতম মতমগী ওইনা অকনবা লান কয়া অমা ঐখোয় মীওইবনা থেংনদুনা লাকখ্রে। খরা নকপা লাঞ্জাও অমা হায়বা তারবদি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও অদুনি। লাঞ্জাও অদু কংলৈপাক অসিদসু চপ চানা য়ৌরকখি। লানগী চৈথেং কয়া অমা কংলৈ মীয়াম্না থেংনদুনা লাকখি। বৃটিশ অমদি জপানগী উনবা য়াদবা লাম্মীশিংগী মরক্তা মীয়াম অশি-অনা, অশোক-অপন অমদি কা হেন্না খুদোং চাদবা কয়া থোকখি। অদুবু লান অদু মীয়াম্না নিংহন্নদনা থেংনখি। মতমদুগী লানদি লানগী এরোপ্লেন কয়ানা ঙংদুনা অতিয়াদা পাইরকপা মখোল তাবদা কোম তৌদুনা কোম মনুংদা মীয়াম চেনশিন্নদুনা লোৎনৈ। মদুনা বোম পোকখায়রকপদা শোক্তনবনি। বোম থাদগদৌরে হায়বসি মীৎশিং-নাশিংলবদি ইখঙ খঙনবদৌনা তৌনৈ। অদুনা মীয়াম্না মশা শোকচদনবা লোৎচনবগী তাঞ্জা অমা অদুম ইফং ফংই।

লাঞ্জাও অদুনা খুদোং চাদবা কয়া অমা থোকহনখ্রবসু মদুগী মতুং তারকপদা লমদম অসিগী মীয়ামগী পুন্সিরোলদা অনৌবা অহোংবা অমদি লাকখি। বৃটিশশিংনা মখোয়গী লানগী খোঙজংদা খুদোং চানবগীদমক্তা লম্বী-থোং কয়া শেমগৎ শাগৎলম্বা কয়া ঙসিদি লমদম অসিগী চাওখৎ খোঙথাংগী মমি ওইনা তাদুনা লৈহৌরি। খুন্নাই অসিগী শক্তম অমা অমদি কলচরগী মশক অমা নৈনরকপা মতমদা অনীশুবা লাঞ্জাও মমাঙ অমদি মতুং হায়না খায়দোক্তুনা নৈনরি। মসিগী মরম চাউনা লৈ। লাঞ্জাও মমাঙদা লৈরম্বা পুন্সিরোল, ৱাখল্লোন অমদি য়ূমলৈ কৈরৈগী ফীভম লোইনমক খেন্নবা উবা ফংই। অদুনা অনী অসি খাইদোক্রবদি চয়েৎনবা অমা থোরকই অদুনা খাইদোক্তবা য়াদবনি। মসিনা তাক্লিবসি অনীশুবা লাঞ্জাও অদুনা মীওইবা খুন্নাইগী মশক্তা অওনবা অমা চাউনা পুরকপা ঙমখি হায়বা অসিনি।

হৌজিক মালেমসিনা থেংনরিবা অসিসু অহুমশুবা লাঞ্জাও অমগুম্বনি। কনানা কনাগী মথক্তা লান্দাবা লাঞ্জাওনো হায়বা খঙদ্রবসু লাঞ্জাও অসিদি মীওইবা হায়বা অসিগী মথক্তা চথবা লাননি হায়না লৌবদা লাল্লোই। লান অসিগী মনুংদা বোম তারক্কনি, মিসাইল কাপ্পক্কনি, নোংমৈ মরূ পাইরক্কনি হায়বগী ৱাদি লৈতে। তশেংনা মসিদি মীৎনা উবা লান নত্তে। অদুম্নমক্তি ওইরগা য়াম্না শাথিবা লানদা মখল অমনি। SARS-COV 2 হায়বা মহীক (কোরোনাভাইরস হায়নসু খঙনরিবা) অসিনা নাহল্লক্লিবা লায়না লাইচৎ অসিনা কোভিদ-১৯ হায়রিবা অসিনি। লাইচৎ অসি হৌজিক্তি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা মীওইবা হায়বসিদা শোক্তবা লৈরক্ত্রে। অমা নাবদগী মরী-মরী শন্দোরক্তুনা মীপূম খুদিংমক লোইনা নাবা য়াবা, অদুগা অশিবগী চাং য়াম্না হেলহনবা য়াবা লাইচৎ অমগী লান্দানি। মসিনা লৈবাক খুদিংগী ওইনা ইকনমি, সোসিও-পোলিটিক্স অমদি অতৈ সেক্টর খুদিংমক্তা লোইনমক শোকহনগনি। মীওইবা হায়বসি চাওখৎপগী লম্বীদা নুংঙাইনা ফৈনা চৎলবসু চাদ্রবদি হিংবা ঙমদে। অদুনদি চানবা হায়বসি মীওইবগীদি য়াম্না মরু ওই। লৈরিবা ফীভম অসিদদি চানবগী অৱাবা অমা মীওইবনা লাক্কদবা চহীদা শোয়দনা মায়োক্লরগনি।

চিন্দা পংহায় হায়বগী ৱানি, ইন্দিয়াদসু চানবা পৈশিন্দুনা থম্বা চিঞ্জাক্কী পুক্কে লোইনা তাকশিল্লক্লে। য়ামখ্রবা ইন্দিয়াগী মীয়াম অসিনা মশানা মশাগী পোথোক য়াওজদনা হৌজিক ফাওবদা চিন ময়াম অসিনা লেপ্তুনা শাইরিবা অসি পৈশিল্লম্বা চিঞ্জাক অদুনি। অদুসু হৌজিক্তি ময়েং তারে। মসিগী ইঙ্গিৎ অমসু ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টরনসু নাকোয়ননা মীয়ামদা পীবা পাউজেল অমদা য়াওখ্রবনি। ইনাক কৈরাক খুনবা অমদি চিঞ্জাক পৈশিন্দুনা লৈরিবশিংনা মহাক্কী মনাক্তা লৈবা লায়রবা অতোনবা কয়াদা পুথোক্তুনা মতেং পাংবীনবা পাউজেলসু পীখিবা লৈখ্রবনি। লৈঙাক্কী লনগৈদগী মীয়ামদা পীরিবা চেঙ অসি থা অমগী মনুংসিদা কন্সটিট্যুএন্সি অমা অনীগী ইমুং অমনা কেজি ২০ ফংবা য়াওনরবসু অয়াম্বনদি কেজি তরাদগীনা নিপানদগী হেন্না ফংবা লৈত্রি। অনীরক শুনা য়েনবগী ৱাফমসু লৈত্রি। অসিগুম্বা ফীভম অসিনা কুইনা চথরক্লবদি চাদবা য়াদবনিনা চানবা থিবা থোরকপা হায়বসিদি মশানা তারবা ৱাফমনি। থোরক্লিবা পূম্নমকশিংনা মশাগী লৈজবা পোৎ চৈ য়োনবা, মীগী পোৎ চৈদা মীতারকপা অমদি অতৈ মখল কয়াগী পাম্বৈ থিদুনা মচিঞ্জাক ফংনবা হোৎনরকপা হায়বসিদি ময়েক্না তারবা ৱাফমনি। মদুদা অমুক লৈঙাক্কী য়াথং ঙাক্তে হায়দুনা চৈবীবদগী হেন্দোক্তুনা তমথীনা ফূবিবসু য়াওরি। মসি মফম অয়াম্বদা থোক্লিবনি। লাইচৎ অসি শন্দোরক্তনবা হোৎনরিবা অসিসু চুম্মী। অদুগা মচিঞ্জাক লৈতদুনা থিবা থোরক্লিবা অসিসু লাল্লি হায়বদি য়ারোই। মসি হায় হায়দুনসু মীয়াম অসিনা থেংনরিবা লান অসি হেক্তা থুগাইবসু য়ারোই। লান কন্না শোক্লরিবা লানফম ময়ায়দগী চাক লাম্মে হায়দুনা হন্দোরকপা য়াবা হৌনদে। শিরদি লানফম ময়ায়দা শিগদবনি। মদুবুনি অথৌবা হায়রিবসে। ঙসি মালেমগী মীয়াম্না থেংনরিবা লান অসি ইশা ইথন্তগী নত্তে। ইচাগীনি, ইশুগীনি অমদি খুন্নাই অসিগীনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থল্লিবা এদভাইজরিশিং অসি থুগাইরুবা মতমদা কম্যুনিতি ট্রান্সমিসন ওইনা ওন্থোরক্লবদি কয়াদা অৱাবা ওইনগদৌরিবনো? মসিগী খুদম চাউর-চাউরবা ইনাক খুল্লবা মালেমগী সুপর পৱার পায়রিবশিংদা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা অসি ঐখোয়না লোইনা উনরবা ঙাক্তনি। চাইনাদা ইপিদেমিক ওইরম্বদগী পেন্দেমিক ওইরক্লে, লৈবাক লৈবাকশিংদা মসিনা অমুক চংশিনখ্রগা হৌজিক কম্যুনিতি ট্রান্সমিসন ওন্থোরকপা য়াওরকপা অসিদগীনি ইন্দিয়াগী পোজিটিভ ফিগর অসি অসুম হেনগৎলক্লিবা। মসিদি শোয়দনা থিংবা ৱারগদবা ফীভম অমদা লাক্লবা য়াবগী অকিবা লৈরে। মহারাষ্ট্র, টামিল নাদু, দিল্লি, মধ্য প্রদেশ অমদি উত্তর প্রদেশতা ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা হন্থরক্ত্রবদি লাকশিনবদা ৱারগদবা ফীভম অমা ওইরকপা য়াই। মতম অদুদদি ইন্দিয়া করি ওইরক্কদগে হায়বা অসি ৱাখলনা লামশিনলুবা মতমদা অকিবগী মশকনি।

চিঞ্জাক হায়বসি য়াম্না লুই। চিঞ্জাক্কীদমক্তনি কংলৈপাক্তা নুপী লান থোকখ্রিবসি। চানববু ফংলক্ত্রবদি মীনা হিংবা ঙম্নদবনিনা, অনৌবা চিঞ্জাক্কী লান অমসু থোরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মসিদা নত্তনা পন্থোক্তবা ৱারম কয়া লৈরি। অদুনদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অখন্ননা য়েংবা য়ারিবসি হৌজিক্তগী হৌনা চিঞ্জাক মখল কয়াগী পোথোক পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা চুম্মী। অতোপ্পা লৈবাক্তগী মতেং লৌরগা ইন্দিয়া মীয়ামগী অহাঙবা চাকখাও মেনগনি হায়বসিমা ওইবা য়াররোইদবা হিসাব ওইরগনি। অদুনদি লৈরিবা ফীভম অসিদা সোসল অমদি ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং অমদি অখঙ অহৈ কয়ানা পীরিবা এদভাইজরিস কয়া অদু ঙাক্না থম্লগা লৌউ-শিংউদা কন্না মায় ওনশিন্নবা হোৎনফম থোক্লি। এগ্রিকলচরদা, ইন্দষ্ট্রিদা অমদি ঈথৈ লৌখোংগা মরী লৈনবা অমদি হেক মথৌ তাবা পূম্নমকশিংদা অকনবা মীৎয়েং চংবীরগা শেনফম কয়া নিংথিজনা থাদদুনা থবক শূবা হৌহনবা য়ারে। মতম থিন্থদনা হীরম অশোমদা মীৎয়েং চঙবা মতম থিল্লে। অচৌবা শেনফম কয়া লোন পীথদুনা পোথোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনদ্রবদি হেন্না অৱাবা ওইরগনি। ●

# বেট্টরি য়াওদনা চলাইবা য়াবা মোবাইল ফোন

সাইন্সকী খোঙচৎ
**কুঞ্জো নাওরেম**


থিজিনবা অসিদা শরুক য়াখিবা (ওয়দগী) ভামসি তাল্লা, ব্রু মৈলিং, সাম ক্রো, জোশুঅ স্মিথ, ব্রাইস কোল্লোগ অমসুং শ্যাম গোলাগাতা

নোংমা-নোংমগী চাওখৎলক্লিবা মালেমসিদা থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা থাজদবা কয়া পুথোরক্লি অদুগা মদুগী খুদোংচাবসু মীয়ামদা ফংহল্লক্লি। মণিপুরদা মৈগী ফীভম য়াম্না ফৎত্রিঙৈদা মোবাইল চার্জ লোইখিবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখিবা ঐখোয়না কাউবা ঙমদ্রি। অদুগুম্বা খুদোংচাদবশিংদু মেনখৎননবা ইনভর্টর, ট্রাভেল চার্জর অমদি পৱার বেঙ্কনচিংবা কয়া পুথোরকখি। মদুনা খরগী মখৈদি খুদোংচাদবা মাঙহনখি। অসুম্না লাক্লিবা খোঙচৎসিদা ঙসিদি বেট্টরি য়াওদবা ফোন পুথোরকপগী নুংঙাইরবা পাউ থুংলরে। মসিনা বেট্টরিদা চার্জ লোইশিল্লক্লে হায়বগী নুংনাংবা অদুমদি শোয়দনা কোকহল্লগনি খল্লি।

বেট্টরি য়াওদবা ফোন তাবদা ঙকপা পোকই। মদুবু ওইথোকপা য়ারিব্রা? করিগী য়াদনি। মীনা ঙমদবা হায়বসি মতম খরখক্তগীনি। বেট্টরিনা থোকহল্লিবা ইলেক্ট্রিক করেন্টসি অতোপ্পা পাম্বৈ কয়ানসু ফংহনবা য়াই। নুংশা মঙাল, মৈগী মৈঙাল অমসুং রেদিও সিগ্নেলনচিংবসি এনর্জি ঙাক্তনি। নুংশা মঙালদগী ইলেক্ট্রিক লৌবা হায়বসিদি অনৌবা অমবু ওইদ্রে। রেদিও সিগ্নেলদগী ইলেক্ট্রিক লৌবা হায়বসিদি ঐখোয়দা নৌনা থোক্লি। হন্দক য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱাশিংটনগী থিজিল্লোয়শিংনা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা মঙাল নৎত্রগা রেদিও সিগ্নেলদগী য়াম্না পিকপা পৱার লৌশিল্লগা চলাইবা য়াবা ফোনগী প্রোটোটাইপ অমা পুথোরকপগী মতাংদা জুলাই ১গী 'প্রোসিদিংস ওফ দ এসোসিএসন ফোর কম্প্যুটিং মেছিন্নরি ওন ইন্টরেক্টিভ, মোবাইল, ৱিনেরেবল এন্দ য়ুবিকুইটস টেক্নোলোজিজ'দা ফোঙদোরকপসি তাবদা নুংঙাইরোইদবা মী ইরৈ লৈরোইদ্রা খল্লি।

হৌজিক ঐখোয়না বেট্টরিগী মতেং লৌরগা শীজিন্নরিবা ফোনশিংসিনা খোঞ্জেলবু পুরিবা এনালোগ সিগ্নেলশিংবু ফোন্দুনা খঙবা ঙম্বা দিজিটেল দেটাদা ওন্থোকই। মসিদা এনর্জি য়াম্না চংই। ফোন অমুক্তং তৌবদা মিলিৱাট্ট ৮০০ মুক চংই। মসি চাউরাক্না ৱাট্ট অমনি হায়না লৌবা য়ারে। অদুনা পৱার পিক্লবদি চলাইবা ঙমদে। অদুনা পৱার চাউনা পীবা ঙম্বা বেট্টরি অমগী মথৌ তাই। অদুবু য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱাশিংটনগী থিজিল্লোয়শিংনা পুথোরক্লিবা বেট্টরি য়াওদবা ফোনসিনা তোপ-তোপ্পা কাঙলোন অমা শীজিন্নরি। ঐখোয়না ফোন্দা কনাগুম্বা অমগা ৱারী শারে খল্লসি। ঐনা ঙাঙবা মতমদা মাইক্রোফোন্দা ভাইব্রেসন থোকই। অসুম্না ঐনা অতোপ্পা মীদুগী খোঞ্জেল তাবদা স্পিকরদসু ভাইব্রেসন থোকই। অসিগুম্বা ভাইব্রেসনসিবু এন্টিনা অমগী মতেংনা লৌশিল্লগা ফোন্দুনা খঙবা রেদিও সিগ্নেলদা অহোংবা থোকহল্লি। হায়রিবা রেদিও সিগ্নেলসি খূৎশেমগী সেলুলর বেজ ষ্টেসন অমদগী থাদোরকপনি।

খোঞ্জেল থাদোক-থাজিন তৌবগী কাঙলোনসি থোইদোকনা অরুবা অমা ওইদে। ৱা ঙাঙবা মতমদা মাইক্রোফোন্দা থোরকপা ভাইব্রেসন্দু শীজিন্নরগা থক্তোরকপা রেদিও সিগ্নেলদা স্পিচ পেট্টর্নশিংদু ইনকোদ তৌশিল্লগা ট্রান্সমিটরনা থাদোরকই। অতোপ্পা মীদুনা খোঞ্জেলদু তানবগীদমক মহাক্কী ফোন্দুদা য়াওরিবা রিসিভরনা ইনকোদেদ রেদিও সিগ্নেলদু খোঞ্জেলগী ভাইব্রেসন্দা ওন্থোকহল্লগা স্পিকরদা থাজিন্দুনা তাবা ঙমহল্লি। মখোয়না হৌজিক পুথোক্লিবা প্রোটোটাইপসি মোবাইল শেম্ফম অমদা হেক্তা ফংবা কম্পোনেন্টশিং শীজিন্নদুনা সর্কিট বোর্দ অমদা হাপচিল্লগা শাবনি। মসিনা ৱারী-ৱাতাই শানবা, দেতা থাদোক-থাজিন তৌবা য়াই। বেট্টরি য়াওদবা ফোনসিনা 'স্কাইপ' হায়না খঙনবা এপসিগী মতেংনা ইনকমিং কোলশিং ওকপা, অতোপ্পা হেন্দসেট অমদা কোল তৌবা অমদি কোল্লর অমবু হোল্ড তৌদুনা থম্বসু য়াই।


য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱাশিংটনগী বেট্টরি য়াওদনা চল্লাইবা য়াবা মোবাইল ফোন

থিজিনবগী থবকসিদা অচৌবা থৌদাং য়াখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱাশিংটনগী পোল জি এলেন স্কুল ওফ কম্প্যুটর এন্দ এঞ্জিনিয়রিংগী এসোসিয়েট প্রোফেসর শ্যাম গোলাকোতানা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মখোয়না অকোয়বদগী রেদিও সিগ্নেল শীজিন্নদুনা শারিবা ফোনসিনা শীজিন্নরিবা ইলেক্ট্রিকসি জি রোগুম্বনি। মরমদি মসিনা শুপ্নগী মাইক্রোৱাট্ট ৩.৫ খক্তমক দরকার ওই । হায়বদি মসি হৌজিক ঐখোয়না শীজিন্নরিবা বেট্টরি য়াওবা ফোন অমনা কোল অমুক্তং তৌবদা চঙলিবা এনর্জিগী চাংদুদগী শরুক লাক্ষ ১০ মুক্কী চাংদা হন্থরিবনি। এলেন স্কুল অমদি য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱাশিংটনগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইলেক্ট্রিকেল এঞ্জিনিয়রিংগী প্রোফেসর অদুগা থিজিনবসিগীনা লুচিং পুরেল ওইখিবা জোসুৱা স্মিথনা হায়রিবনা বেট্টরি য়াওদনা চলাইরিবা সেলফোনসিনা হৌজিকমক্কী ওইনদি ফোনখক্তদা মীৎয়েং থল্লি অদুবু তুংদদি মসিনা অতৈ বেট্টরিনা চলাইবা খূৎলায়শিংদসু কান্নবা পীবা ঙমগনি হায়বসিনি।

ৱাশিংটনগী থিজিল্লোয়শিংনা রেদিও সিগ্নেল থাদোক্লবা অমসুং লৌশিন্নবা বেজ ষ্টেসন অমা শাখি। মসি বেট্টরি য়াওদবা ফোন্দুদগী ফুট ৩১ ফাওবা লাপ্পা থম্বা য়াই। মসিগীদমক মখোয়না এনর্জিগী সোর্স অনীখক শীজিন্নৈ। অহানবদা বেজ ষ্টেসন্দগী থাদোরকপা রেদিও সিগ্নেলসিবু ফোন্দুগী পৱার সোর্স ওইনা শীজিন্নৈ। অতোপ্পা অমনা থিজিল্লোয়শিংনা নুমিৎ মঙালদগী এনর্জি লৌবগী পাম্বৈ শীজিন্নখি। মসি হৌজিক ঐখোয়না শীজিন্নরিবা সোলর সেলগা মান্নৈ। অদুবু মসি য়াম্না পিকই। চাওরাক্না চেঙ মরূ অমমুক্তা চাওই। মসিনা বেজ ষ্টেসন্দগী ফুট ৫০ ফাওবা লাপ্না থম্বদা মথৌ তৌবা ঙম্মী। বেজ ষ্টেসনসি তোঙান্না শারুবগী মহুত্তা ৱাই-ফাই রুটর নৎত্রগা সেলুলর নেটৱর্ক অমনা রেদিও সিগ্নেলসি থাদোকহন্দুনা শীজিন্নবসু য়াগনি।

হৌজিক কৈথেলদা বেট্টরি য়াওদনা চলাইবা য়াবা খূৎলায় খরা ফংলে। মখোয়গী মনুংদা টেম্পেরেচর সেন্সর অমদি এক্সেলরোমিটরনচিংবা পনবা য়াই। মখোয়সু ঐখোয়গী অকোয়বদা ফংবা নুংশা মঙালগুম্বা এনর্জিশিং শীজিন্নবনি। অদুবু মখোয়গী খুদোংচাদবা অমদি মখোয়না ওল্লিবা অদু লোইরবা মতুংদা মিনট অমা-অনীদি 'স্লিপ' মোদতা লৈ। মরমদি মথং ওনবদা দরকার ওইবা এনর্জিদু নুংশাদগী লৌশিনবা তাই। অদুবু বেট্টরি য়াওদবা ফোনসিদদি মদুগী মথৌ তাদে। ঐখোয়না পাল্লিবা মখৈ অদুম লেপ্তুনা শীজিন্নবা য়াই।

বেট্টরি য়াওদবা ফোনসিনা রেদিও সিগ্নেল নৎত্রগা মঙালদগী ফংলিবা এনর্জিসি মাইক্রোৱাট্ট ১ নৎত্রগা ১০গী ওর্দরদনি। অদুনা মীয়াম্না শীজিন্ননবগীদমক কৈথেলদা ফংহনবগী মতাংদদি হেন্না ফগৎলবা নৎত্রগা অনৌবা মখলগী কাঙলোন অমগী তঙাইফদবদি লৈরি। হৌজিক থিজিল্লোয়শিংনা মখা তানা ফোনসিগী ওপরেটিং রেঞ্জ হেনগৎহন্নবা অমদি কোদিং অমসুং ইনকোদিং তৌবগী থবকসি ফগৎহন্নবা হোৎনরি। হৌজিক মখোয়না পুথোক্লিবা সেলফোনসিদদি দিসপ্লে য়াওদ্রি। হায়বদি মসি ৱাকি-টৌকি অমগা মান্নরি। ট্রান্সমিটর অমসুং রিসিভর অনীগী মরক্তা শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌহন্নবগীদমক বটন অমদা নম্বগী মথৌ তারি। বেজ ষ্টেসন অমগী মথৌ তারিবসিসু ফোন মশামক্তা হাপচিনখিবা য়াগনি হায়না থিজিল্লোয়শিংনা থাজবা থল্লি। লোয়ননা পৱার য়াম্না হন্থবা ই-ইঙ্ক স্ক্রিনশিং শীজিন্নদুনা দিসপ্লে হাপ্নবা হোৎনরি। মসিগী মখা তারকপা ওইনা ভিদিও থাদোক-থাজিনগী থবক ফাওবা ঙমহন্নবা হোৎনগদৌরি হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লি। ●